ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯁꯦꯞꯇꯦꯝꯕꯔ ꯰꯳, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯵꯵ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
লৈবাকপোকপা, সেপ্টেম্বর ০৩, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৫৫শুবা মশীং

# মহৈ-মরোং উবা য়ারক্তবগী অৱাবা

## মীয়াম্নসু লৈঙাক্নসু খূদোংথিবদগী কলহৌনবা হোৎনবা মতম ওইরে

কুমগী নোং মতম চানা চুরকপা হায়বসিনা শাবগী চাং হন্থহনবগা লোয়ননা লৌউ-শিংউদা চাউনা মতেং ওইনরিবনি। লৌউ-শিংউনা মরু ওইবা শিনফম ওইরিবা লমদম অসিদা নোংজুগী চাং হন্থরকপা মতমদা মহৈ-মরোং মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদবগী অৱাবা থেংখাং কয়ারক্তা মায়োক্নখিবা লৈখ্রে। মালেমগী ওইনা অঙৈং-অশাগী খল কায়থরকপনা মরম ওইরগা নোংজুগী চাং হন্থরক্তুনা ঈকং থোকপা, নৎত্রগনা নোংজুগী চাং হেনগৎলক্তুনা ঈচাউ থোকপগী মতৌ কয়া তোয়না থেংনরি। উমং-ৱামং কোকথোকপগা লোয়ননা কেটচমেন্ট এরিয়াদা পাক্তক্ননা উ য়ান্থৎপা মরম্না নোং খরা হেক চুবগা তুরেলশিংগী ঈমায় খংৱাং-ৱাংখৎলকপা অমসুং নোং হেক হাংখিবগা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্নবগী মওং অমসু উবা ফংলক্লি। লমদম অসিগী হান্না লৈজরম্বা উমং কয়াদগী উ-ৱাশিং পাক্তক্ননা য়ান্থৎখিবনা ঈশিংগী ঈফুৎ কয়াসু মাঙশিল্লক্লি। মীওই খরনা চেকশিন্দবা মওংদা ঈশিং মাঙহনবনসু ঈশিং ফংদবগী ৱাথোক হেন্না লুশিল্লকপগুম তৌরি। হৌখিবা চহী ১০ রোমদা লৈবাক অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদা নোংজুগী চাং হন্থরকপগা লোয়ননা কুম অসিগীসু তাফম থোকপা নোংজুগী চাং হন্থনা তাই হায়না রিপোর্ট কয়ানা ফোঙদোক্নরি। নোংজুগী চাংদা অহোংবা লাকপনা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা অচৌবা চৈথেং পীরি। মফম খরদনা অতেনবা মতমগী মনুংদা নোংজুগী চাং খংহেন-হেনগৎলক্তুনা ঈচাউগী অৱাবা মায়োক্নহল্লি। কুমজা ২০১৭তা চৎথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়, কুমজা ১৯৫০দগী কুমজা ২০১৫ ফাওবদা নোংজুগী চাং হেনগৎলকপা নৎত্রগসু অতেনবা মতমগী মনুংদা কা-হেন্না নোং চুরকখিবনা সেন্ট্রেল ইন্দিয়াদা তোয়না ঈচাউ থোকখি। ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা লৌউ-শিংউগী থৌরাং পূন্নমক নোংগী ঈশিংদা য়ূম্ফম ওইরগা পায়খৎপনি। মরম অদুনা নোংজুগী চাংদা খজিক্তং অহোংবা লাকপদা খ্বাইদগী চাউনা চৈথেং ফংলিবসি লৌউ-শিংউদনি। কুমজা ২০১৭-১৮দা চৎথখিবা ইকনমিক সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়, ঈথৈ-লৌখোংগী খূদোংচাবা লৈতবা মফমদদি নোংজুগী চাং হন্থরকপা মতমদা লৌমীশিংগী শেন্থোক চাদা ১৪ রোম হন্থরক্লগনি। ঈথৈ-লৌখোংগী খূদোংচাবা লৈরগসু লৈনুংদা ঈশিং মরাং কায়না লৈত্রবদি মহৈ-মরোং পুথোকপগী চাং হন্থরকই। মসিগীসু মথক্তা অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপা অমসুং নোংজুগী চাংদা অহোংবা লাকপনা লৈনুংদা লৈবা ঈশিংগী চাংসু হন্থরক্লে।

লৈনুংদা ঈশিং লৈশিল্লক্তবগা মরী লৈনবা রিপোর্ট অমনা হায়, কুমজা ১৯৯৮দা ইন্দিয়াগী মফম অয়াম্বদা চাংচৎ ওইনা মিটর ৭.৫ লুথবা মফমদা লৈনুংগী ঈশিং ফংবা ঙমখি। চহী ২০ লৈরগা কুমজা ২০১৮দা অমুক হন্না থিজিনবদা মিটর ৯.২ লুথরগা লৈনুংগী ঈশিং ফংবা ঙমখি। পঞ্জাবকুম্বা মফম খরদদি মিটর ১৭.৮ লুরগা লৈনুংদা ঈশিং ফংবা ঙমখি। ঈথৈ-লৌকোংগী খূদোংচাবা মতীক চানা লৈতবা মণিপুরগুম্বা লমদমদসু লৌউ-শিংউগী থৌরাং পূন্নমক নোংগী ঈশিংদা মপাল তাংলগা পায়খৎপনি। কুম অমত্তং নোংজুগী চাং হন্থরকপদা মহৈ-মরোং নীংথিনা পুথোকপা ঙমদ্রিবা লমদম অসিদা হন্দক চহীগী ওইনসু লৌবূক্তা ঈশিং লৈতবদগী লৌফম কয়াদা লৌ উবা য়াদদুনা ঈকং থোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে। লৌ উবদি লায়রদনা থক্নবা ঈশিং ফাওবা লৈরক্নরোইদ্রা হায়না মিপাইবা পোক্নরি। লৌফমদা ঈশিং ফনা য়াম্না থাজিল্লবসু লৈনুংদা ঈশিং লৈতবনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগদৌরিবরা হায়বদুদি অচৌবা ৱাহং অমা ওইরি। ইন্দিয়া মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টকী রিপোর্ট মতুং ইন্না মালেমদা অঙৈং-অশাগী খল কায়রক্তুনা নোংজুগী চাংদা অহোংবা লাক্লিবসি মীওইবনা থোকহনবনি হায়রি। অঙৈং-অশাগী খল কায়রকপনা মালেমগী মফম পূন্নমক্তা চৈথেং পীরবসু ইন্দিয়াগুম্বা চাওখৎপগী মমি শাল্লিবা লৈবাকশিংদা ঈকং, ঈচাউ অমদি সাইক্লোননচিংবা খূদোংথীনিংঙাই ওইবা থৌদোক কয়া তোয়না থোকহল্লকপগী মওং অমা উবা ফংলি। কুমজা ২০১৮-১৯দা ইন্দিয়াগী মীওই ২,৪০০ রোম ঈচাউ অমদি নোংলৈ নুংশিৎনচিংবা থৌদোকশিংদা শিখি। হেন্না খূদোংথীনিংঙাই ওইরিবদি শাবগী চাং হেনগৎলকপগী মতাংদনি। শাবগী চাং হেনগৎলকপগা লোয়ননা নোংজুগী চাংদা অহোংবা লাকপনা ইন্দিয়াগী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি) চাদা ১০ রোম হন্থরকপা য়াই হায়না ৱর্ল্ড বেঙ্ককী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। গ্লোবেল ক্লাইমেট রিস্ক ইন্দেক্স মতুং ইন্না মালেমদা ক্লাইমেট চেঞ্জগী চৈথেং খ্বাইদগী চাউনা ফংলিবা লৈবাকশিংগী মতুংদা ইন্দিয়ানা ১৪শুবদা লৈরি। মণিপুরদসু অঙৈং-অশা অমদি নোংজুগী চাংদা লাক্লিবা অহোংবশিং অসিনা পীরকপা চৈথেংদগী কলহৌনবা পূন্নমক্না ৱাখল তামিন্নবগী তঙাইফদবা লৈরি। মীয়াম্নসু লৈঙাক্নসু কা-হেনবা খূদোংথিবা নংগদবদগী কলহৌনবা লেপ্পা লৈতনা হোৎনবগী মতম ওইরে।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### লম্বীগী অচিনবসু য়েংবীয়ু

ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,

মমা-মপা অমা ওইনা ঐখোয়না ইচাশিংবু মহৈ-মশীন হৈহন্নবা হোৎনবা হায়বসি তৌদ্রবা য়াদ্রবা ইথৌদাং অমনি খঞ্জে। অদুবু মতম অমগী লাইরিক খূত্তমগা হৌজিক্কী মতমগী লাইরিক মতম্বীসিগা খেন্নবা য়াম্না লৈবনা ইচাশিংবু লাইরিক লাইশু তমহনবদা মমিৎ-মমায় ওইনবা অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং তাঙ্কক নাইনা গাড়ী মচা, অচৌবা তোংদুনা কোয়থিন থিন্দুনা লাইরিক তমহল্লি। মসিদা ইচা মহৈ তম্বগীনি হায়দুনা অৱা অনা থিনদে, তৌদ্রবা য়াদ্রবা মমা-মপাগী থৌদাংনি খন্না হোৎনবনা অয়াম্বনি। অদুগা অমরোমদা হায়জনীংবদি ঐখোয়না প্রাইভেট ট্যুসন থিনবা চৎপদা গাড়ী অচৌবা, মচা পুদুনা লাক্নবসিনি। মসিদা খ্বাইদগী লুরিবদি গাড়ী থম্ফমনি। অদুগা অখুবা লম্বী, লৈরক মনুং চংবা মফম কয়াদসু প্রাইভেট ট্যুসন তৌফম লিংখৎনদুনা মহৈ তম্নরি। হোয় মহৈ তম্বগী হায়রগদি য়াম্না ফবা খোঙথাং অমনি খল্লি। তৌবতবু মসিদা পঞ্জনীংবদি লম্বী চিন্দনবগীদমক প্রাইভেট ট্যুসন লিংখৎলিবশিংনা গাড়ী থম্ফম হান্না এরেঞ্জ অমা তৌফম থোকপ্রা খঞ্জে। অদুগা অমরোমদা লৈঙাক্কী স্কুল, প্রাইভেট স্কুল অচৌবা কয়াদি মহৈ তল্লীবা মহৈরোয়শিংনা মখোয় মখোয়না পুরকপা গাড়ীশিং স্কুলগী শারিবা সেটতা থম্নরি। অদুনা ট্যুসন থিল্লকপা অমদি তল্লিবশিংনা পুরকপা গাড়ীশিং মফম চানা থম্নবা সেট থম্বীরবদি লম্বীদা খামজিন্দুনা থম্নরিবা গাড়ীগী অচিনবদগী খরদা ওইরবসু কনবা ঙমগদ্রা খঞ্জে।

নাকল অমরোমদা, মহারাজ বোধচন্দ্র কোলেজগী মখা থংবা সনা কোনুং শ্রীশ্রী গোবিন্দগী অনীশুবা গেট ৱাংখৈ লম্বী তাবা লম্বী অসিসু লম্বী চৎপদা অৱাবগী মশক ওইরে হায়জনীংই। গাড়ী অচৌবা অনী থৈনবা ৱারবা লম্বীনি। ফুট পাথসু নিংথিনা লৈবা নত্তে। সনা কোনুংগী থোঙ্গাল পুখ্রি মপাল মতেক খরদং নত্তনা মসিদা খোঙনা কোনুংদা লাই-তীল খুরুম্বা লাকপা, লম্বী চৎপা কয়াদা সরক্না পিকপনা মরম ওইবতা নত্তনা প্রাইভেট ট্যুসন তৌফমসু লৈশিনবনা লাইরিক তম্বা থিল্লকপগী গাড়ী কয়ানা পরেং শানা অয়ূক, নুংথিল, নুমিদাং খামজিনবনা লম্বী অসি চিনবতা নত্তনা অৱাবা কয়াসু পীরি। গাড়ী অমা লাকপদা খোঙনা চৎপা কয়া মীগী দুকান্দা থৈদুনা গাড়ী চৎখিবা ঙাইবসু য়াওদবা নত্তে। অদুনা মসিদা হায়জনীংবদি পিক্লবা লম্বী অসিদা ইচাশিং মহৈ তম্বা থিনবা লেঙবীরক্লিবা কয়ানা ট্যুসন লোইদ্রিফাও গাড়ী খাজিন্দুনা ঙাইবগী মহুত্তা ইচাশিং থম্বীরম্লগা লম্বী খরা পাকপা মফম য়েংবীদুনা ইচাশিংগী মতম লোইবা ঙাইবীবনা লম্বী চৎপা, লাই খুরুম্বা লাকচবা কয়াদসু থোইনা অৱাবা পীরোইদ্রা নীংই। ৱাফমসি লম্বী চিনমনবগী তানজবনি খন্না ৱারৌবিরোই। হোয় তৌববুদি মী মীগী অনীংবা অপাম্বা হায়বদুনি। অদুবু লম্বীগী অচিনবসু য়েংবীয়ু, খোঙনা চৎপগীসু খনবীয়ু, ঐখোয় ঐখোয়না ৱাখল খন্থরবদি থোইদোক্না অৱাবা ওইরোইদ্রা খঞ্জে। মরম অসিনা মরী লৈনবশিংনসু সনা কোনুংগী অনীশুবা শ্রীশ্রী গোবিন্দগী গেট ৱাংখৈ সরক তাবসি মীৎয়েং অমুক্তং চংবীদুনা চৎথোক চৎশিন্দা অপনবা ওইদনবা ফুট পাথ অসিদংগা নিংথিনা শেম্বীদুনা মীয়ামগী লম্বী চৎথোক চৎশিনগী অৱাবা কোকহনবীয়ু হায়জরি।

*অদোমগী - তবানু খুরাইজম*
*ৱাংখৈ অঙোম লৈকায়*

# ঐখোয়গী খুন্নাই চাওখৎহনবদা মীৎয়েং অমা - ৪

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

মালেমগী ওইনা লৈবাক অমগী মনুংদা লৈবা খুন্নাই অমগী মীচম মীয়াম খরদি মালেমগী অতোপ্পা খুন্নাই অমদা মশাগী অশেংবা মশক/য়েলহৌমী করম্বনো হায়বসি ফজনা তাকনীংদবা লৈরম্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। অসিগুম্বা মীওইশিংসিগী মশাগী ওইবা মরম খরদি শোয়দনা লৈরম্বা য়াই। অদুনা অসিগুম্বা মখলগী মীওইশিংগী মরমদা ৱারেংসিগী অহুমশুবা শরুক্তা পঞ্জখ্রে, মতম মাঙনবনি মখা তানা পঞ্জররোই। অদুবু মশাগী অশেংবা য়েলহৌ মশক তাক্লিংবশিংনা মালেমগী খুন্নাইদা মশক তাক্নবগী ওইথোকপা য়াবা মতাং/মওং মতৌগী মতাংদসু থমজখ্রে। হৌজিক ইরমদম অমদি ইফুরুপকী অশেংবা মশক করিনা পাম্বে ওইরগা অমদি করম্না ঙসি ফাওবদা ঙাক্লকখিবগে অদুগা ঙাক্তুনা থম্লগা মালেমগী খুন্নাইলক্তা করম্না চাওখৎপা পুরক্কদগে হায়বগী মতাংদা অচম্বা ৱাখল্লোন খরা থমজগে। মসিগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফম (ইম্পোর্টেন্ট পোইন্টস) শিং খরদি :

১) লমদমসিগী ওইনা মালেমদা মশক থোক্না লৈজরকপা লেংদবা অমদি অরেংবা পোৎশক খরা;
২) অশেংবা য়েলহৌ শক্তম কঞ্জনবা হৌরকখিবা ঈহৌ খরা;
৩) তুং কোয়না ঙাক্তুনা থম্নবা মথৌ তাবা খোঙথাং খরা;
৪) লমদমসিদা লৈরিবা তোঙানবা ফুরুপশিংনা পূন্না লৌমিন্নগদবা থৌদাং খরা;
৫) মীপাল তাংলক্তবা থৌওংদু ঙাক্না থম্নবা মীপূম খুদিংমক্না মশা মশানা হৈজবা মওংদা শূবা নোম্বা কনবগী থৌনা লিংজেল উৎথোকপা অসিনচিংবা।

১) লমদমসিগী ওইনা মালেমদা মশক থোক্না লৈজরকপা লেংদবা অমদি অরেংবা পোৎশক খরা :- মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না ইরমদমসি তোঙানবা মমিংশিংনা হোং হোংদুনা খঙনরক্লবসু ইরমদমসিগী ওইনা মহৌশা লাইরেম্বীনা শেম্বীবদা শরুক থুংবিরম্বা লেংদবা হায়বদি মফম হোংলগা চৎতবা পোৎশক খরদি - উখ্রুলগী সিরোই চীংদা হৌবা কংফালগী থরো 'শিরোই লিলি'; মমল য়াম্বা মখল তোঙানবা উরৈ কয়া; মনম নুংশিবা চাকহাও ফৌ/চেঙ; থুমহি চেন্দবা অচম্বা ঈশিংগী ঈপাক 'লোক্তাক পাৎ' অসিনচিংবা পনবা য়াই। লেংবা হায়বদি চৎপা ঙম্বা পোৎশকলক্তনা ষ্টেটসিগী বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অতাওবা ফুমদি মথক্তা মহৌশাগী ওইবা মওংদা মনীং তম্না নুংঙাইনা হিংজবা ঙম্বা 'সঙাই' (মহৌশাগী মনাৎপু করিগুম্বা মওং অমদা মাঙহনবিদ্রবা/হোংহনবীদ্রবদি); মণিপুর (ইরমদম) দগী হৌদোকখিবা 'শগোল কাংজৈ' (মালেমগী অতৈ মফমদনা পোলো হায়না খঙনবা) গা লৈশেমলোন্দগী শাগোন্নরকপা অপিকপা - মশাগী তোংশা য়াম্না তাশিনবা, তুংগী মশাইগনগী শরুক য়াম্না কনবা - মখলগী মালেমদা ফংদবা শগোল 'পোনি' অসিনচিংবা। খ্বাইদগী হেন্না নুংঙাইবদি য়াম্নসু শাদবা, য়াম্নসু ঈংদবা, চাবা-থকপদা হাওবা, লৈবদা নুংঙাইবা নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরিবা চীংলৈবাকনি হায়বা য়ারিবা ইরমদমগী মহৌশাগী ওইবা ফজরবা চীং-তম্পাক্কী শরুক, পাৎশিং (অপিকপশিংসু য়াওনা), চীংকারোয়শিংনা থিজিনবদগী থেংনরকখি হায়নখিবা চীংথক্কীদা থেন ওইনা লৈবা ফজরবা পাৎ মচা, ঈশিং চাইবী কয়ামরুম লৈরিবশিংসিগী মনাক ফাওনা চৎপা য়ানবা কারনচিংবনা চংবা/চৎপা য়াবা লম্বীশিং শেম্বীরবদি মপান লমগী লমকোয়বা কয়া হান্না লাক্লিবসিদগী হেন্না লাক্লবদি ষ্টেট মনুংগী ওইবা শেন্মীৎলোন হেনগৎকনি। মসিগী মথক্তা মপান লমগী ফর্মশিংনা পাম্বা পোৎশক কয়া অমা খুদম ওইনা - হিদাক লাংথক কান্নবা মনা-মশিং; মচু শংবা য়াবা পাম্বীগী মকু/মহৈ; উ অরিবা শিরগা লৈবাক ওল্লবশিংদা হৌবা/শৌবা - উয়েন, উচিনা, কংলায়েন্নচিংবা পনবা য়াই।

২) অশেংবা য়েলহৌ শক্তম কঞ্জনবা হৌরকখিবা ঈহৌ খরা :

ইনিংথৌ খাগেম্বা (খৃ ১৫৯৭-১৬৫২) গী অহুমশুবা মপোকসি ইনিংথৌ পামহৈবা (খৃ ১৭০৯-১৭৪৮) ওই হায়না লৌরিবা মৈদিংঙু পামহৈবগী হাক্তক্তা ইনাৎ লাইনিং খ্বাইদগী অৱাংবা থাক্তা নমথনবা তৌবতা নত্তনা পুংমুৎ মুথৎনবা হোৎনখি। খৃ: ১৭১৭কী (জন্যুৱারী - ফেব্রুৱারী) থাগী ২৩নি পানবা ইরাই নুমিৎতা শান্তিদাস গোষাইনা মহাক্কী সেবক ভগবানদাস অমদি নরায়নদাস অনীগা লোয়ননা ইরমদমসিদা থোরক্লবা মতুংদগী ময়াংগী ঙাঙবা-শকপা হৈবা, মতাৎ হৈবা, লিচৎ শাজৎনা পামহৈবা নিংথৌগী পূক্নিং শুমহৎতুনা খুদুম চনশিনখিবগী মহয় ওইনা - শম্না হেক্তা হায়জরগে - ইনাৎ লাইনীংদা অচৌবা চৈথেং পীরম্মী। অদুবু চীংউ মায়চৌ লৌরেম্বা খোংনাংথাবনা তুংদা থোক্লক্কদবা থৌদোক ৱাথোক কয়াবু মাঙজৌননা নিংথৌ পামহৈবদা খঙহল্লবা ফাওবদা থৌৱা শাখিদে। অদুম্নমক ওইরবদা থেঙ্খাং কয়াবু নিংথৌ পামহৈবগী লাইনীং গুরু ওইরিবা ময়াং মচা শান্তিদাসপু মায়থীবা পীবগা লোয়ননা নিংথৌ মশামক্তা লোয়ননা হায়জ নোঞ্জ তৌবদগী মথৱায় ফাওবা কনবিখি। খৃ: ১৭২৯ (দিসেম্বর-জান্যুৱারী) ৱাকচীং থাগী থানিল য়ূমশকৈশ নুমিৎতা মৈদিংঙু মশানা লুচিংলগা লুকুন থাংদুনা রামান্দি লাইনীং লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা ইম্ফাল অমসুং ইরিল তুরেল অনীগী ইতিনফম ইরোং (লিলোং থোংগী নোংপোক থংবদা লৈবা) দুদা নোংখ্রং ৱাশকপা হায়না তৌরগা ইরুপহল্লে। মদুদা ময়াংগী লাইনীং (ধর্ম্ম) থারবদি ঈতনা পুন্সি পিখম্নসি হায়না ৱাশকপদগী লৈবাক ৱাথোক ওইরক্লবদা খোংনাংথাবা অহলনা নিংথেমগী মঙদা খঙহল্লে-

"নিংথেম নঙবু তাহৌরো। মীতৈ ঐগী লীচৎপু হোংদফদে হোংগনি হায়বদি ৱারম অমবু হায়বীরমগে। ইপা ইপুনা চৎনরিবা লীচৎপু নমজা নমথেক্ননা মুৎথৎকে হায়ববু তৌহৈদবনে। মদুগী তেকশিন হনজিনগদবদি নিংথেম লীৎপা য়ারোইয়ে। লৈবাক মীয়াম্বু ৱারক চৈথেং পীদুনা মীহাৎ মীপূন তৌদুনা লীচৎ হোংহনবদি মতম খরতগীনে। লৈবাক মীপূক ফবা ওইথোক্লোইয়ে। নিংথেম নঙগী ননীং থুংনবদি লেপকনো, ওইবদি ৱাগনিয়ে/নিংথেম নঙগী নরাইবক লৈবনা থবক অসিদা পাঙথোকপা ঙমলে। অদুঙৈ ওইখিবা থোকখিবা ৱানে - পাউনম হিতেন মপান্দা, ফৈতা হিতং মাশুমাঙদা, তরেৎ শেলপূং য়ৈবদি, ৱাংলেন পূংচাও ফূবদি, সনা লীক্লাই মরূগী, তুগী মরূ থাবদি হৌদেদো, সেনপী মুকাকলৈ মরূ থাবদি হৌরেদো। অসি ৱাবু খঙনসে।"

ৱারম অসি কাঙলকপদা মমাঙ গুরু ওইবা শান্তিদাসতি মনুং নুংচেং ঈকোন্দা হাইহৎতুনবু ৱানথরে। (লালৈ লাথুপ/১৩-লাংতাই ৱায়েল, থৌকাইজবা: হাওবম ইন্দ্রকুমার)।

য়াম্না শম্না থমজরিবা ৱাফমদি মীরম লাইনীং হেক চৎহন্নবা হোৎনরকপদগী চীংঙু মাইচৌ লৌরেম্বম খোংনাংথাবা ইপুনা তুং কোয়না চৎলোই হায়দুনা পূক্নিং লৌশিং ওইনবা তাকপীবগা লোয়ননা য়ৈথোক্তদুনতা লাকখিবনি। ইপুনা হায়বিখিবা খুদিংমকসু চুমদুনতা লাকইবসিনি।

মথংদা খৃ: ১৭৫৯-১৭৯৮দা পানখিবা চিংথংখোম্বা মহারাজ (কোন্না রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র হায়না খঙনখিবা) গী সনা হাক্তক্তনা মঙদা উখিবা থৌদোক অমদগী নিংথৌ খুভম মাঙলুবদু হঞ্জিল্লবা মতুংদা কাইনা চীংদা হৌবা থৈবোং পাম্বী অমা ওইনা হৌরমগে, মদু য়াল্লগা কৃষ্ণগী শকপাল/মীতম (মুর্ত্তি) শানবা হায়রম্বদু 'শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দ, শ্রীশ্রী গোবিন্দ, - "কয়া শারগা জগোয় রাসলীলা মখল কয়াগী লীংখৎতুনা কৎলগা মপুথৌগী খুদুং ইন্দুনা ময়াং লাইনীং মপূং ফাহন্নবা হোৎনখি। অদুঙৈ পামহৈবা নিংথৌগী হাক্তক্তা মীরম লাইনীং চৎকদবনি হায়বদা য়াদবা য়েলহৌমী অশেংবা কয়া হাৎখিবদু হাৎকনি হায়বা কিবদগী য়েলহৌমীদি ওইরগা ময়াং লাইনীং পামজনা লৌরগা লাকপা কয়ানা মখা তানা ময়াং লাইনীং মপূং ফাহন্নবা হোৎনখি। মতাংদুদসু ময়াং লাইনীং পামজদবা কয়া অমনা ইনাৎ লাইনীং য়োকখৎনবা হোৎনদুনা লাকখি। অসুম্না, সার চুড়াচান্দ মহারাজগী মহাকথংদা লেমহৌবা অয়াম্বা ময়াং লাইনীং মরম অমা নৎত্রগা অমনা নম্ফুদা চৎহন্নবা হোৎনখি। খৃ: ১৮৯১-১৯৪১দা পানখিবা চুড়াচান্দ মহারাজগা থৌমু লাইমু ওইবা পুয়াদা ময়েক শেংনা পন্দুনা য়াওরম্বা ইনাৎ লাইনীংগী তুংগী মীরোলগীদা লময়ানবা তোমথিন নায়বা নুপা অমগী মরমদা - "নোংচুপ লমগী শাগৈ অরিবনা তীন্থোঙ লাইথোঙ খঙনা থিরগদবনে। নোংদম নোংখাইবীরগদবনে।" হায়রম্বনা তশেংনা তাক্লিবদি মীশক অসি কাছারগী জারিবোন লমদমগী লাইশ্রম খুল মমাঙ লৈকায়গী নাউরেম শাগৈগী ইমুং অমদা খৃ: ১৮৮৮ থৱান থাগী ২২নি পানবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা (তাং ২৮/৮/১৮৮৮) পোকখিবা লাইনিংহল নাউরিয়া ফুলোনি। মীতৈশিংগী অরিবা লাইনীং অসিবু অমুক হিংগৎহন্নবগীদমক লাইনিংহল নাওরিয়া ফুলোনা খৃ: ১৯৩০দা 'অপোকপা মরুপ' কৌবা লাইনীং লূপ অমা লিংখৎপীরম্বগা লোয়ননা মীতৈশিংগী ওইবা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং অমদি মখল কয়াগী মরমদা/হীরমশিংদা লাইরিক ১৯দগী তাদনা ইদুনা থম্বীরমখি। লা: ৩৪, চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্বম খোংনাংথাবা - অইবা সাইরেম নীলবীর)। ●

# লৈরোলদা হাওরৈ : শৈথারোন্না পাউদম্লি, পাঙ্গল শোনবীনি হায়বগী মীংদা তুহৎপীরবী নুপীশিংগী অৱাবা ৱারী

**-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -**

পোক্নফম লমদম ইমাগী লৈমায়দা চেন চোংবা ফংজরিবা ঐখোয়সে কয়াদা লাইবক ফখ্রবনো। লাইওইখ্রবা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্মী মশীং মপান নাইদ্রবা লনগৈ কয়া। তরেৎ শেঞ্জা মপৈ মপৈ হৈথদুনসু ফংবা ঙম্লরোইদবা তাঙলবা লন-থুম কয়াগী তুংনফমনি। চিংথোকপগীসু লোইনাই খম্নাইরোইদবা পূক্কে লনগৈনা পিক থল্লি। ঐখোয়না থৌশাবীদবা, পাঙদবা অয়াম্বা ওইবগী থিজিন হুমজিন্দনা লৈথোক্লিবনি। থিজিল্লুরবদি অঙকপৈ অঙকপা ঙাক্তনি, মমাঙঙৈ মতমগী ইপা ইপুশিংগী ফিদম্নফম ওইবা অৱাংবা ৱাখল্লোনশিংদো। তাইবঙপান অসিদা লৈরিবা অচৎ-চত্ত, লেংলি-পাল্লিবা, নুমিৎ, থা, থৱান্মীচাক, মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ, উপাল-ৱাপাল, হৈরাং-লৈরাং, শা-কৈ, উচেক-ৱায়া, তীল-কাঙ অমদি তাইবঙ মীওইবা পূন্নমক অসি অমগা অমগা তৎন-থানবা য়াদবা মরী লৈনৈ হায়বসি মনুং থিৎনা খঙলম্মী। মখোয়খক্তমক খঙবদুনা অপেনবা ওইরমদে, তুংগী মীরোল কয়া মথং মথং লান্না খঙথরকখি মখোয়গী মমল য়াল্লবা ৱাখল্লোনশিংদু। মতম মতমগী ওইনা থোকপা অৱা নুংঙাই, থৌদোক ৱাথোকশিংগা মরী লৈনবা চীনবুং ৱারী, খূৎই লাইরিক, শৈথারোলনচিংবা মরাং কায়না থম্বীরম্মী। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা লমদম অসিগী ওইনদি ফোকলোরগী লম্দা য়েংলুরবদি অদুক্কী মতিক ইনাক খুল্লি। মবুক চোনবী পুক্কেনি, পেকথোকপগীসু লোইবা খম্বা নাইররোইদবনি। খুদম ওইনা হায়রবদা মোইরাং শায়োন তরেৎকী ৱারী শীংথানীংঙাইনি। খম্বা থোইবী, য়াইথিং কোনু, তোনু, লাইজিংলেম্বীনচিংবগী ৱারীদা য়াওরিবা মতিক ময়াইশিং অসিবু চিংথোকপগী লোইবা খম্বা নাইখিদ্রা? মসিগীসু মথক্তা লমদমসিদা ফংবা লৈ মখল কয়াগী মরমদা মখল মথেল ৱারী, থৌদোক ৱাথোকশিং পুশিন্দুনা শৈথারিবা লৈরোনসু শিংথাবদা মতিক চাবনি। মণিপুরী খুন্নাইগী মশাগী ওইবা তোপ তোপ্পা চৎন-লোনচৎ, নাৎ, লাইনীং-লিচৎ, পুন্সি মহিং, শৈহেক শৈদাগী ওইবা শক্তম কয়াবু মপূং ফানা শেমগৎতুনা থম্বীরম্বনি। লৈরোনশিংদা শৈথারিবসিনা নাখৈ শেংনা তাক্লি মদুদি লৈ খুদিংমক মথ্বাই পাল্লি। ঐখোয়গী ওইনদি ঙসি ঙরাংখক্তগী ৱানি, খঙবা হৌবগী মমি খরা খরা তম্বা হৌরক্লিবসি। লৈ অমা ৱারী অমা, লৈ অমা মিংথোন অমা, কয়াদা মমল য়ামখ্রবা খুদোলনো, ইপা ইপুশিংনা ঐখোয়দা তম্বীরল্লিবসে! শৈশকপা শৈশকপী কয়ানা পেনা অমদি খোংজোম পর্ব্ব শৈশক্তা শৈথারম্বসিনসু লৈরোনশিংগী মতিক ময়াই হেনগৎহল্লি।

লৈরোলদা শৈথারিবা শিঙেল লৈরাংশিংগী মরক্তগী 'হাওরৈ' কৌবী লৈরাংবু করম্না শৈথারম্বা, করম্বা থৌদোক ৱাথোক্তা য়ূম্ফম ওইদুনা শাগৎলম্বগে হায়বদু থমজরি। নুপী ওইবীশিংবু ওৎপী নৈবিবা, খাংঙুথক্তা পুন্সি পিখম্নহনবা, ঙসি ঙরাংখক্তগী থৌদোক নত্তে। নীংশিংবা থোক্ত্রবা মতমদগী হৌনা চত্থরক্লবনি। থৌদোকশিংদুবু খঙলু তারুবা মীওই কয়াগী থম্মোয়দি তেংথাদনা তুমিন্না লৈথোকপা ঙম্লক্তে। নুংগী মৈচাক অদু ওমশিন্দুনা থম্বা ঙম্লক্ত্রমাল্লে, মপান থোক্না চাক্লকপগী খুদম থম্লম্মী। মরী লৈনবা থৌদোক্তা য়ূম্ফম ওইবা চীনবুং ৱারী কয়া শেমগৎলকই, তেংথারোল অমদি শৈথারোল কয়া পুথোরকই। থম্বীরম্মী হাওরৈগী শৈথারোল, নুংহিক্নরবা থম্মোয়গী পাউদম্নি। মীত্তগী পি শিন্থদবা য়াওরোই, লৈরাং মাবু উবদা। হুল্লান্দনা লৈথোকপা ঙল্লোই, কল্লক চাউবা অমদি ৱাখল খন্থবা ঙমদবা তাইবঙ মীওইবগী তমথীরবা মচৎপু। তেংথাদবা ঙমদে খাংঙুথক্তা কেমখ্রবী পুন্স অমগীদমক। শৈথারম্বা ৱারীনি।

মোইরাং খাবা হুইথৌবা কৌবা নুপা অমগী খন্থহৌদবা অমদি নুপানি, তৌবা ঙম্বনি হায়বগী নাপল মরুমদা অচুম অরান থিদনা মশামক্কী মরাল লৈজদ্রবী তালোয়বু তেন্না কাপ্পুনা হাৎখিবগী নীংঙমদ্রবা ৱারীদা মপূং ওইবনি। মহাক্কী তালোয় অনী লৈরম্মী। অহলগী মীংনা লৈয়েংহনবী অমসুং অতোনবীগী মীংনা লৈয়েংখুবী হায়না কৌরম্মী। অসুম্না লৈরিঙৈদা মখোয়গী চীংগী পামলৌ অদু ওক্না নৈখায়বদগী পান্নাউ শিংনাউ অমত্তা তাবা ঙমদ্রে হায়বগী পাউ ফংলম্মী। মরম অদুনা মোইরাং খাবা হুইথৌবনা মাগী তালোয় অনীদা য়াথং পীরম্মী, "শানৌ নচিন ননাওদি পাখং ঐগী খালৈ লৌদা লৌতারম্মু। মোইরাং খাবা হুইথৌবা ঐগী চীংগী পামলৌ অচৌবদু ওকলেন লাবা খারাওবনা পান্নাউ শিংনাউ তাবা ঙমদ্রে হায়না তারে, য়াংদৌ শারম লীরুগে।" অসুম্না হায়রম্লগা মোইরাং খাবা হুইথৌবা তেন্দোং নমদা পোরগা লিরুং খূত্তা পায়দুনা শারম খোঙ্গুল লীবা পাল্লৌদা চৎখি। মদুদগী মপুরোয়বগী য়াথং মতুংইন্না নুপী অনীদু লৌবুক্তা লৌ তাবা চৎলম্মী। লৈয়েংহনবীনা ফীমু অমনা কোকশেৎ শেত্তুনা, খ্বাংদা খ্বাংচেৎ থোল্লগা, হাওশম নমদা পোদুনা থবক শূবা হৌরম্মী। মতম অদুদা লৌবুক মচিদা লৈশক লৈচু হেল্লবী লৈরাং ঙাংশং ঙাংনা শাৎলম্মী। পূক্নিং হুনা নিংথিরবা লৈরাং অদুবু উরুবদা লৈয়েংখুবীনা হেক্লগা নাপদা চিল্লম্মী। লৈ অদু চিল্লগা মচেগী মনাক্তা থবক শূবা চঙলকখি। লৈশক লৈচু হেল্লবী লৈরাং অদু চিনবদা লৈয়েংখুবীগী নীংথিরবী চেংলৌ শকফমদু অমুক্তা হেন্না নীংথিজরম্মী। লৈয়েংখুবীগী নীংথিরবা মায়থোং অদু উবদা লোন্নবী ওইবগী হৌনশা লৈয়েংহনবীনা কল্লক খম্বনবা পোক্লম্মী। মচিন মনাওনা য়োৎলৈ খূত্তা পায়দুনা লৌ য়াল্লিঙৈদা মোইরাং খাবা হুইথৌবদু হল্লক্লম্মী। মখোয় অনীগী মনাক্তা চঙশিল্লকপগা লৈয়েংহনবীনা অসুম্না পাউদম্লম্মী, "ইশাবীও! তাবীয়ু, অথৌবা হৈনা মতুংদা ইশানৌ লৈয়েংখুবী অতোম্বীনা কেগে ঙাংলৌ মোইরাং পাখংগী মেলৌ খুদোলবু চিল্লবনি য়েংজৌনে অঙম্বা।" মদু তাবদা হুইথৌবনা লৈয়েংখুবীদা য়েংলম্মী। মাগী নাপদা চিল্লিবা লৈরাং অদু উবদা অচুম্বা ওইরবোই নীংলম্মী। মানা চখোকখ্রিঙৈদা পূক্নিং অনী লোংদুনা নুপা অতোপ্পনা পীবা খুদোল লৈরাং চিনবদি লেম্না তোক্লরোই য়াইবী লৌরগে হায়দুনা তেঞ্জে শৎলগা লৈয়েংখুবীদা তেন থারম্মী। তেন্না পান্দুনা চৈনা খাঙলবী লৈয়েংখুবীনা মমীত্তগী মপি শিন্থরদুনা হায়রক্লম্মী, "ইশাবীও করি ওইবগে? ইচে ইবেম্মা লৈয়েংহনবীগী পূকথিন খোনবু লৌরবা। মোনু লাইবক থীবীদি কেগে মোইরাং পাখং ঙাংলৌ কনাগী মেলৌ খুদোল চিনবা নৎচদেনে। ইশাবী নঙগী খালৈ লৌ, লৌয়ান কৈরোন শাবা শেল্লোই পীরেন মথক্তা লৈরাং ঙাংনা শাৎলিবসিবু ইশাবী-ও! য়েংবীয়ুনে।" অসুম্না হায়রম্লগা লৈয়েংখুবী ঈখেং মরক্তা হাইথরক্তুনা থৱায় থাখ্রে। লৈয়েংখুবীনা হায়রম্বশিংদু অচুম্বরা হায়দুনা য়েংলুবা মতমদা ঙাংশং ঙাংনা শাৎলিবা লৈরাং অদু উরম্মী। মখূত্তগী লীরুং অদু লৈমায়দা থাদরগা লৈ অদুগী মনাক্তা চঙশিল্লম্মী। লৈখাক অদু পায়রগা অসুম্না তেংথারম্মী, "শিঙেন লৈরাং নহাক্তি, লৈরাং লৈপান য়েংবদি, ইশানৌ ইনেম মচা, লৈয়েংখুবী অতোম্বীগী খুবোম চংলৈ মানবী লৈ। লৈরাংগী লৈনা তাবদি কাউরেল শল্লে মানবা লৈ, লৈরাং নঙগী মচুদি শিঙেন অঙাংবনা লৈনিদো।" মতৌ অসুম্না লৈয়েংহনবীনা খম্বঞ্জখিবা অমদি লৈয়েংখুবীগী থৱায় মাঙহনবা লৈনি হায়না পেন্দবা ফোঙদোকখি। লৈরাং অসিবু হাওরৈ হায়না মিংথোনখিবগী মতাংবু অসুম্না শৈথারি, "লোইবী চীংগী হাও পাখংবা/ লৈরাং পামনা থাবা লৈ/ঙাংনা ফজবা লৈরাংনি/শিঙেন নাৱা মখোয়রেন/ইমা লোইদামলৈ/ লোইদাম নাওৱা লৈনুংশি/হাওবা মিংথাং লৌদুনা লৈরাং হাওরৈ কৌবা লৈ।"

লৌবুক লমহাং, য়ূমগী ইঙ্খোল শম্বলদা মরাং কায়না হৌবা হাওরৈনি। মপাল অদু য়েংবদা নিংথিজৈ, রেশমদৌনা মোন মোন লাউরদুনা। অদুবু ফজৈ হায়বসিদগী হেনবা অতৈ থোইদোকপা খল্লুদে। তশেংনমক থৌশাবীরুদবনি। থরো থম্বালনচিংবদি হেক উবগা লাইদা কৎনীংবা ফাওই। ৱাথোক চাওবী ওইখিবনরা, নোংমতসু কৎকে খনখিদে। অদুবু খুন্নাই অসিগী ফোকলোরদা মফম পাক চাউনা কন্দুনা থল্লিবা মাঙবা তাবা য়াদ্রবা লৈরাং অমা ওইরম্লে। মতম অদুগী মণিপুরী খুন্নাইদা নুপী ওইবীশিংনা কয়ামুক তোম্থজনা হিংলম্বগে হায়ববু মবুক্লিংনা খোয়দাজবা লৈরাং অমা ফাওবা মনীং তম্না চিঞ্জনবগী রাইট অদু ফংলমদে। মতৌ অসুম্না নুপীগী অৱাবা পুন্সিবু য়েকপগা লোয়ননা হাওরৈবু করম্না মমিং থোনখিবনো হায়না শৈথারম্বসিমক্না লৈ অসিগী মতিক মগুন হেনগৎহল্লি। তশেংনমক শৈথারোল অসিনা মহৌশা লাইরেম্বীগী মশাইগোন্দা মনীং তম্না শাৎচরিবা লৈরাংশিংবু মাঙহন্দনা থম্নবগী পাউজেল পীরি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।